# ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ২৬না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এমপিএসসি (সি) না ইএসসি (এ)বু ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এমপিএসসি (সি) গী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৫ কেঐচ দিনেসনা মিনট ০.৫১ অমদি জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ রোমেননা মিনট ৬.২১ দা পাঞ্জল অনী, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ আই খাবানা মিনট ২.২১ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ইএসসি (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এল প্রবিন মিনট ৩.৫১ অমদি মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ ঐচ সঞ্জয়না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা কেকেএমএমআরএস (বি) না মৈরাবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কেকেএমএমআরএস (বি) গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ সিঐচ অজিৎনা মিনট ৪.৫৪ দা পাঞ্জল অমা, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এম হোমেননা মিনট ৪.৪৮ তা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৫ এস থম্মোয়না মিনট ১.২৪ অমদি জর্সি নম্বর ৪ সিঐচ অজিৎনা মিনট ৫.৫৫তা পাঞ্জল অনী, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ সিঐচ অজিৎনা মিনট ১.২০, ১.৫১, ৩.৫৫তা পাঞ্জল অহুম অমদি জর্সি নম্বর ৩ এম হোমেননা মিনট ২.৫১ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা পেরেদাইস পোলো ক্লব অমদি কাংলৈপাক পোলো ক্লবনা নুংথিল পুং ১ তাবাদা অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দা খুরাই পোলো ক্লব অমসুং সিঐচ পিসি (বি) না নুংথিল পুং ২ তাবাদা শান্নরগনি।

## সাইক্লিংগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ঃ

থা অসিগী ৩১ দগীী মথং থা ৩ ফাওবা রাজস্থানগী জাইপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭১শুবা সেনিয়র, ৪৮ শুবা জুনিয়র অমদি ৩৪ শুবা সব–জুনিয়র নেসনেল ত্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক সাইক্লিষ্ট খন্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ৭ তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা সাইকল ভেলোদ্রোমদা পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা নুপা, নুপী, নুপা মচা অমদি নুপীমচা রাইদর্সশিংনা জনুৱারি ৪ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## গ্রাস রুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ঃ

ওল মণিুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এনইএসয়ু গ্রাউন্দ পোরোম্পাট্টা থা অসিগী ২৫দগী চহি ৬ তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা গ্রাস রুটস প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিগীদমক নমথোক্লবা ফোর্ম এনইএসয়ু ওফিসতগী অয়ুক পুং ৮ দগী ১১ ফাওবা অমদি নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি লোয়ননা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ১০ ফাওবনি হায়রি।

## লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ঃ

চাজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শীন্দুনা চাজিং কাংজৈবুংদা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ১১না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচতা এলৱাইএসএসয়ু লিলোং বাজার অমদি এমসি লিলোং চাজিং অৱাং লৈকায় গোল ২–২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা এমসি চাজিং অৱাং লৈকায়গী জর্সি নম্বর ৬ এল বেশ্বরজিৎনা মিনট ৩ দা গোল অমা অমদি এলৱাইএসএসয়ু লিলোং বাজারগী জর্সি নম্বর ১৩ এ অর্বিন মৈতৈনা মিনট ১৭দা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এমসি চাজিং অৱাং লৈকায়গী জর্সি নম্বর ২০ এন লৈঙাকপানা মিনট ৩৪ দা গোল অমগা হাপচিনদুনা এমসিনা গোল ২–১ দা অমুক মাংজিল থাদুনা চৎখি।

হাল্ফ অসিগী মিনট ৪১ দা এলৱাইএসএসয়ুগী জর্সি নম্বর ১০ পি ব্রাজিসনা মিনট ৪১দা গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা লৈদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎখি।

# ৱুমেন্স নেস্নেল কেম্পকি প্রোবেবল লিষ্টতা মণিপুরগী সুসিলা অমসুং সুমন য়াওরে

নিউ দিল্লি, জনুৱারি ০৩ঃ

চহীসিগী অহানবা ওপন্নর ওইনা স্পেনগী টুরগী মাঙওইননা নেস্নেল কেম্পতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমগী প্রোবেবল লিষ্ট থোকপদা মণিপুরগী শান্নরোই সুসিলা চনু পুখ্রম্বম অমসুং সুমন দেবী থৌদাম য়াওরে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া বেঙ্গালুরু কেম্পসতা থা অসিগী ৪দগী ২৩ ফাওবা চত্থগদবা নেস্নল কেম্প অসিগীদমক খনগৎলবা শান্নরোই ৩৩ অদু ইন্দিয়া টিমগী চিফ কোচ মারিনেদা রিপোর্ট তৌগদবনি।





কেম্প অসিগী খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা সুবিতা, রাজনি ইতিমাপুর অমসুং সোনন মিলস নি।

দিফেন্দরদানা দীট গ্রেস এক্কা, সুনিতা লাক্কর, সুসিলা চনু পুখ্রম্বম, গুরজিৎ কোর, রাসমিতা মিন্জ, সুমন দেবী থৌদাম, মহিমা চৌধরি, নিশা, সারিমা তেতে নি।

মিদফিল্ডরদা নিক্কি প্রধান, মোনিকা, লালিমা মিনজ, নামিতা তোপো, নেহা গোয়েল, উদিতা, জ্বাইতি, অনুজা সিংহ, সাইমা তিগম, সোনিকা, করিসমা য়াদব নি।

ফোৱার্দতনা রানি, লালরেমসিয়ামি, নবনিট কোর, নবজোর কোর, রাজবিন্দ্র কোর, ভান্দনা কাতারিয়া, অনুপা বরলা, প্রিয়াংকা ৱাংখরে, রিনা খোক্কর, লিলাবাট্টি মালামাদা জয়ানি।

ইন্দিয়াগী অহানবা সিজন কেম্প অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমগী চিফ কোচ মারিনেনা হায়–তেল্লবা নুমিৎ ২০ গী কেম্প অসিদা ফিটনেস লেভেল ফগৎনবা হোৎনদুনা স্পেনগী টুর অসিগীদমক শেম–শাগনি। কেম্প অসিদা করিগুম্বা অনৌবা খরা তাকপী–তম্বীবা পাম্মী।

মমাং চহিদা ইন্দিয়াগী টিমনা অফবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা এসিয়ান চেম্পিয়ন ত্রোফিদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৯শুবা মফমদা হায়গৎখি অমসুং জকাদারগী পালেমবাংনা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেডল লৌখি।

গোল কোষ্ট কম্মন ৱেল্থ গেমসকী সেমি ফাইনেলদা আষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা মায়থিরবসু য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

# বিষ্ণুপুর ফুটবোল দিভিজন লীগ ২০১৮

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী তাং ১২তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা অনীশুবা এল ইবোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৱিন্নর অমোফা মোইরাংনা পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা ৱিন্নর, এফসি মোইরাংনা পোইন্ট ১৬তা গোল দিফেন্স খেৎনবদগী রন্নর্স অপ তাখ্রে।



লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা ক্রকপু নম্বোল অমদি সাই এস এ জি উৎলৌ গোল ১–১ চান্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা সাই এস এ জি না পুংখায় ফারকপা মিনটতা জর্সি নম্বর ১০ ঙমজিংগৌ হাওকিপনা চনখিবা গোলনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাংজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা ক্রকপুনা গোল হন্দোক্লবা শান্নরকপগী হোৎনজম ফঙদুনা মিনট ৫৭দা ক্রকপুগী জর্সি নম্বর ১০ ঐচ জোটিন্নিনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা মমাং থাগী তাং ১৫ দগী বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুং অসিদা টিম ১৫না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা এনসিৱাইদব্লিউও নুংঙাই চিরুনা এলএফসি ঙাইখোঙ খুনৌবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এনসিৱাইদব্লিউও নুংঙাই চিরুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৬তা জর্সি নম্বর ৫ কেএস অসোন চিরুনা চনখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচা গ্রুপ–এগী সিআরইএসএ অমদি টিৱাইদিএ তৌবুলনা শান্নরগনি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা মমাং থাগী তাং ২৫দগী মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা চত্থরিবা ১৩শুবা এল বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা লোক্তাক এফসি প্রোজেক্টনা এসএলও বিষ্ণুপুরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা লোক্তাক এফসিগী গোল অদু মিনট ৬০ দা জর্সি নম্বর ৩ অমরকালোসনা চনখি।


# SALAI GROUP OF COMPANIES

Salai Group of Companies on its transformation journey with the targeted vision of 20 years, have successfully established the following Companies/ Units / Joint Ventures in India & abroad, with the motto of "Dispersion of Self Reliance".

1. **SALAI HOLDINGS PVT LTD.** is the parent company of all the subsidiary companies which is known as "SALAI GROUPS OF COMPANIES". It has private as well as public limited services. Recently SALAI Body Sculpture is one of them which we provides services around 600 members at the onset shaping their body round the clock.
2. **SALAI AGRO PRODUCTS PVT LTD :** Based on processing of Agro products. It has:
   a) Rice milling plant of 18 MT capacity per day.(Lairenkabi)
   b) Edible oil refinery plant both in Manipur & Assam having capacity of 5 MT & 80-100 MT per day.(Lairenkabi & Tihu, Nalabari district of Assam)
   c) Mushroom Research Centre & Cultivation unit also farmers training centre.(Lairenkabi)
   d) Indigenous Spices processing units
   - Ginger, turmeric, chili, besan, onion, garlic, hawai kangtak, flour powders including packaging
   e) Flour mills at Mantripukhri along with soya products, chow & papar with the per shift capacity of 20 MT.
3. **SALAI CONSTRUCTION PVT LTD :** Basically at Infrastructure Development and property management including sales and marketing. It has own buildings construction materials production lines with the capacity of 50000-80000 bricks per day (i.e. 8 hours) in association with QGM Chinese Company & ZENITH, German Company. The products are hollow blocks, road pavers block, garden blocks, Solid blocks, etc. It also provide services at:
   a) Road development (Govt tender)
   b) Civil works (Govt tender as well as private party)
   c) Construction materials supply unit.
   d) Stone Crusher unit
   e) Hot Mix Plant
   SALAI CONSTRUCTION PVT LTD., HAD SIGNED AN MOU WITH FOREST CITY, ONE OF THE LEADING INFRASTRUCTURE DEVELOPMENT COMPANY IN THE WORLD.
4. **SALAI ENERGY SOLUTIONS PVT LTD.** provides services of renewable energy at various categories like: mini solar inverter, Solar water geyser, LED bulbs etc., we are providing solar energy i.e. at 230 ATM booths off grid energy for 8 hours a day in ASSAM
5. **SALAI MART PVT LTD** is a retail chain in the model of mini super market, to supply essential commodities along with the local indigenous products.
6. **SALAI INFOTECH PVT LTD.** is one of the Company which provides digital services including software developers, website designing and development, consultancy and skill development into the area in India as well as in Nepal in association with the Chinese Company. It has an MOU with one company from Kathmandu name DESTINY INFOTECH to provides digital boards at the Gold retailer in Nepal in confederation with FENAGOSIDA, FEDERATION OF NEPAL GOLD AND SILVER DEALERS ASSOCIATION, only the Federation deciding rate of Gold, Silver & Diamond rate under the approval of Nepal Rashtriya Bank.
7. **SALAI ASIA PACIFIC REGION EXIM PVT LTD** which provides export import service within India & overseas. It's has a complete warehouse at Moreh to extend its services of export import trading in the region to promote the flow of business and develop itsroots up to the international standard in between India and Myanmar through Moreh, of Manipur
8. **SALAI AGRI CONSORTIUM PVT LTD.** conceptualising a bilateral development and so as to bridge the gap in between the farms and the farmers by providing up to date technology, methods and all related informations which apply in the world mainly in the develop countries. It focuses in fisheries, nursery houses, EMU farm, tree bean farm (Yongchak farm). One of the emerging unit is CARBONIZATION PLANT AT THINUNGEI which will bring a great change in the society. It will carbonized the waste of domestic, garbage, rice husk even PHUMDI & TOU at Loktak lake. Upcoming projects under this company: Dairy plants with 500 cows, Animals feed in Assam, Beer breweries alcoholic and non alcoholic, poultry in organic ways.
9. **SALAI BIOTECH PARK PVT LTD** is the only company which is having a scope providing food testing lab in the entire northeast region of India. 1st International Bamboo Conference held at Oriental College to promote bamboo in the region.
10. **North East New Town Development Pvt Ltd.** is one of the prospect company having its objectives to promote new town planning management systems under the guidance of COUNTRY GARDEN.
11. **SALAI TOURS & TRAVELS PVT LTD** which provides air tickets, Passport & visa services, hotel booking, Inbound and outbound tour package etc.A traditional hotel chain is coming shortly under this company. SALAI INSTITUTE OF FOREIGN LANGUAGE extends its service by giving Chinese, Japanese and myanmarese language study centre.
12. **SALAI DEFENCE SOLUTIONS PVT LTD** which provides service in the namme of Manipur guard services and likely to come up with other national security services. This company will provide training to 500 security guards at instant with the American training coaches with the Japanese equipments.
13. **SALAI PAN ASIA INTERNATIONAL LTD** is the only public limited company which focus in strengthening the investment in all aspects, both FDI and national standard .The MNC lines up with many foreign agencies to support various development activities in India especially for north east.
14. **SMART SOCIETY** it is an NGO working in wide scope of rural development .It has various sub units
   a) SMART UNIVERSAL ACADEMY "a school for future Manipur" having its study centre at Sekmaijin khunou upto 10th standard, now upgraded upto 11th standard science. It has strength of 1600 students both in day scholars & boarders. Significally all the students studying in this academy are the members of SALAI YOUNG FARMERS CLUB (SYFC).
   b) SALAI CHAREI PHISENG is a showroom of local indigenous traditional cloths a handloom product, produces by 400 weavers and artisans of "SALAI".
   c) SMART SOCIETY WEAVERS is a group of weavers having its own production units of traditional cloths.
   d) SALAI LAITHOU SHANGLEN provides cultural & traditional function, religious functions along with traditional handicrafts production unit including canes and bamboo.
   e) SMART FARMERS CLUB Smart society basically focus on rural development so to enhance the basic service, SMART Society promotes Farmers club in association with NABARD, RO Imphal.
   f) SALAI YOUNG FARMERS CLUB which provides educational facilities to those downtrodden of rural poor farmers.
15. **SMART MEDICOS** a leading medicinal & pharmaceutical products supplier in Manipur .It is the only authorized agency to supply low cost medicines under the scheme of CHIEF MINISTER GI HAKSHEL GE TENGBANG (CMHT).And also the only authorised agent of JAN AUSHADHI PRIME MINISTER SCHEMES. Community care centre of SMART Society at Moreh which provides diagnosis services to both Indian & Myanmarese.
16. **SAFINS (SALAI FINANCIAL SERVICES)** erstwhile SALAI MARKETING AND RECOVERY TEAM in short SMART. It has two divisions
   a) SMART MICRO FINANCE INSTITUTE which provides small credit to rural poor farmer, group lending etc.
   b) DEBT RECOVERY UNIT which provides services to nationalize banks, schedule bank, Regional rural banks etc as bad debt recovery, due diligence services asset reconstruction etc.
17. **SALAI LAND DEVELOPMENT AND AGRICULTURAL & ALLIED ACTIVITIES CO-OPERTAIVE CREDIT SOCIETY** which provides basic infrastructure & financial assistance to rural poor farmer for their farm development.
18. **SALAI RECORDING CENTRE AT TERA AKHAM LEIKAI** which provides hi-tech audio recording.

**INTERNATIONAL COMPANIES**
1. SALAI INTERNATIONAL JAPAN
2. MAPAM INTERNATIONAL HONGKONG
3. SALAI INTERNATIONAL FZC AJMAN UAE
4. SALAI INTERNATIONAL CHINA which support as logistics in all aspects and bridging the gap as to build international network in International Trading.
5. Salai International, Czech Republic.
6. Salai Destiny Pvt.Ltd. Nepal.

**Upcoming projects:-**
1. **ROPEWAY/ CABLE CAR PROJECT**:- An MOU has signed with Govt of Manipur and SALAI CONSTRUCTION PVT LTD to undertake Cable car/ Ropeway Project in Manipur. An MOU has signed with the Authorized agency MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION LTD.
2. **HYDRO ELECTRIC GENERATION (PROJECT):** Taking up First Pilot Hydro Electric Generation Project in Sekmai Barrage, with an estimated capacity of 800 KW in PPP Model.
3. **SHIITAKE MUSHROOM CULTIVATION PROJECT**:- First of its kind in India where SALAI will take up Shiitake cultivation project large scale in Manipur in association with Japanese leading company in Shiitake production.
4. **JOINT VENTURE PROJECT OF FOREST CITY AT MALAYSIA TO OPERATE ITS MARKETTING DIVISION AT KOLKOTTA:** An office has started functioning at Kolkatta to provide Marketing services of Forest City in India, Salai Construction being the only authorized Agent in India.
5. **Joint Venture in Nepal established as "Salai Destiny Pvt.Ltd."** dealing with electronic rate display board, Hydro Electric Energy; Finance & Banking Etc.
6. **Brewery for production of "Wanglei"** brand Beer in Tihu, NE Food Park, Assam.
7. **High tech Poultry Farm in Thinungei with production capacity of 9 Lakhs Chickens per annum.**

Other Establishments outside Manipur in INDIA:
1. **SOLAR ASSEMBLY UNITS AT KOLKOTTA:**- Solar assembly unit will set up at Kolkotta in association with Chinese company.
2. **REGIONAL SECRETARIAT OFFICE AT KHANNAPARA DISPUR ASSAM:**- Which will serve as a nodal point of various businesses in NE region and prime coordination center with HO,Imphal.
3. **Mushroom SPAWN MANUFACTURING UNIT AT KOLKOTTA:**- To distributes all local varieties of spawn which is available widely in north east, which is one of the highest potential in taping our economy into the right direction that will beneficial in all aspect of life economically , Health conscious, export oriented, etc.,
4. **A liaison office at New Delhi,** Malviya Nagar, to extend and strengthening the Logistics supports of other foreign companies in all divisions of SALAI.

খঙহনৰিবা

**SALAI HOLDINGS PVT.LTD.**
**SAGOLBAND TERA LOUKRAKPAM LEIKAI**
**IMPHAL WEST, MANIPUR**

SL/Bill/04


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*